
# পাকিস্তানগী চার্সাদা দিষ্ট্রিক্টকী কোর্টতা বোম পোকখায়খ্রে, মীওই ৬ শিখ্রে, ১৫ শোকখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২১ :
পাকিস্তানগী খাইবর পাখতুনখৱা প্রোভিন্সকী কোর্ট অমগী মপানদা ঙসি টেররিষ্টশিংনা বোম অহুম পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখ্রে অমসুং ১৫ শোকখ্রে।
খাইবর পাখতুনখৱাগী চার্সাদা দিষ্ট্রিক্টকী কোর্টকী মপান্দুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা সুইসাইদ এটেক্কর অহুম হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।
এটেক্কর অহুমদুনা মেইন গেটতা ফাওজিন্দুনা টাঙ্গি টাউনদা লৈবা কোর্টতুগী প্রেমিসিজদা চঙনবা হোৎনখি। মখোয়না নোংমৈ কাপখি অমসুং গ্রেনেদ অহুম লংখিবদা মফমদুদা লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু খুৎ হন্দুনা কাপখি।
বোম্মরশিংদুগী মনুংদা অমনা কোর্টকী মেইন গেটতুদা মহাক্কী সুইসাইদ ভেষ্ট অদু পোকখায়হনখি। পুলিসকী মায়কৈদগী হন্দুনা কাপ্পদা এটেক্কর অদু শিখিনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চীফ সোহাইল খালিদনা ফোঙদোকখি।
অতৈ এটেক্কর অনীদুসু মশাদা সুইসাইদ ভেষ্টশিং য়াওখি তৌইগুম্বসুং পোকখায়হনবা নংদ্রিঙৈদো কাপ্পুনা হাৎখি।
এটেক অদুদা মীওই ১৫ শোকখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে হায়না খালিদনা ফোঙদোকখি।
রিপোর্টখরগী মতুং ইন্না এটেক অদুদা শিখিবশিংদুগী মনুংদা লোইয়র অমা য়াওখি অমসুং মীওই ১৭ ফাওবা শোকখি।
চৈরকসিদা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা উর্দু টিভি চেন্নেল অব টক পল্লদুনা এটেক অদুদা পুলিসমেন মঙাসু শোকখি হায়রি।
এসোসিয়েটেদ প্রেসকী রিপোর্টরদা থাবা টেক্স মেসেজ অমদা পাকিস্তানি টালিবানদগী মচেৎ তাখিবা গ্রুপ জামাট-উল-অহররনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।
চার্সাদা দিষ্ট্রিক্টকী টাঙ্গি টাউনদা বোম অহুমদু পোকখায়হল্লবা মতুংদা টেররিষ্টশিংদুনা অতৈ অউবশিংদা নোংমৈ কাপখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। টাঙ্গি কৈথেলদা লৈবা সেসন্স কোর্ট অমগী গেট মনাক্তা বোম অমা পোকখায়রবা মতুংদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি হায়না পাকিস্তানি মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।
জজশিং অমসুং লোইয়রশিং অশোয়-অঙাম অমত্তা থোকহৌদ্রে হায়না চার্সাদাগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, সিক্যুরিটি টাইট ওইবনা মরম ওইদুনা বোম্মরশিংনা কোর্টতুদা চঙবা ঙমখিদে, তৌইগুম্বসুং মখোয়না কোর্টকী প্রেমিসিজদা চঙবা ঙম্লম্লবদি ‘শাথিবা মীশি-মীনা অমসুং মাঙ-তাকপগী ফীভম অমা উরমগনি।’ থিবা-হুন্বা অমসুং রেস্ক্যুগী ওপরেসন অমা চথরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।
পেশৱারদগী কিলোমিটর ১০ রোম লাপ্পা লৈবা চার্সাদাদা এম্বুলেন্স ১০ থৌজিনখি। পেশৱারগী লেদি রিদিং হোস্পিটাল হাই এলার্টতা লৈহনখি। সিক্যুরিটি কাঙবুশিং অৱাংবা থাক্তা মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে হায়না চার্সাদাগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখি।
পাকিস্তান টেহরীক-ঈ-ইনসাদকী মেম্বর সৌকট য়ৌসুফজাইনা হায়খি, মিলিটেন্টশিংদু মোহমন্দ এজেন্সিদগীনি।
দোন পাউচেনো ৱিটনেসশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, বোম্মরশিং অদুগী হকচাশিংদু মখোয়গী এক্সপ্লোসিভশিং অমসুং এম্যুনিসনগা লোয়ননা তাদুনা লৈখি।
হন্দক্তা টেররিষ্ট এটেকশিংদা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রবা অমসুং মীওই চা কয়া শোকখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী নৌবা এটেক অদু চথরকখিবনি। এটেকশিং অদু টালিবান ফেক্সন য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ইস্লামিক মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা ক্লেম তৌখি।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা স্বিদেনদা থোকখিদবা ‘টেরর এটেক’ অমা পন্দুনা লান্না ঙাঙখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২১ :
দোনাল্ড ত্রম্পনা থাঙ্গৈশেংনা থোকখিদবা স্বিদেনদা ‘টেরর এটেক’ চথখিবগী থৌদোক অমা পন্দুনা ঙাঙলুবদগী হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা মহাক্কী প্রসিদেন্সি অনৌবা মওংদা চাং তাখ্রে হায়রি। ফ্লোরিদাদা মীটিন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ত্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ইম্মিগ্রেন্টশিং লাকপা কন্ত্রোল তৌনবা পুথোকপা মহাক্কী পোলিসীবু অচুম্বা খোঙথাং ওইহন্নবগীদমক্তা স্বিদেনদা চথখিবা এটেক্কী মরমদা পনখিবনি।
গর্দিয়নদা ফোঙবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, ত্রম্পনা পাকিস্তানগী সেহৱনদা শগোলশেল নুমিৎতা থোকখিবা অতোপ্পা টেরর এটেক অমা চমন্নবদগী স্বিদেনদা থোকখিবা থৌদোক ওইনা পনখিবা ওইরম্বা য়াই। সেহৱনগী এটেক অদুদা মীওই ৮০ হেন্না শিখিবনি।
মহাক্কী ৱাখলদা চমন্নখিবদুনা য়ু এস অমসুং অতোপ্পা মরূপ-মপাং ওইবা লৈবাক অমগী মরক্তা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরীদা টেন্সন লাকহল্লম্বা য়াই হায়রি।
অদুম ওইনমক হ্বাইট হাউসনা অচৌবা অশোয়বদু খঙলকখিবগা লোয়ননা ত্রম্পকী ৱারোল অদুগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা স্বিদেনদা ইম্মিগ্রেন্টশিংনা ক্রাইম তৌবা হেনগৎলকপগী ফীভম অমা লৈরিবদুগী মতাংদা ৱাফমদু ফোঙদোকখিবনি হায়খি।
‘ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাকপু খুদোংথীবা থোকহন্দনা থমগদবনি। জর্মনিদা থোক্লিবা থৌদোকশিংদা নখোয়না য়েংউ, স্বিদেনদা ঙরাং অহিং থোকখিবা থৌদোক্তা নখোয়না য়েংউ। স্বিদেনদা অসুম্না থোক্লিবসি কনানা থাজবগে। মখোয়না (টেররিষ্টশিংনা) মী য়াম্না হাৎখ্রে। মখোয়না হান্না লৈরকপা য়াই হায়না থাজখিদবা মওংদা হৌজিক্তি মখোয়দা প্রোব্লেম য়াম্না লৈরে’ হায়না ত্রম্পনা মীটিনদুদা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা হায়খি।
ত্রম্পকী ৱারোলদা রিয়েক্ট তৌরদুনা স্বেদিশ প্রাইম মিনিষ্টর ষ্টেফন লোদভেননা হায়খি মদুদি, স্কেন্দিনিভিয়ন লৈবাক্তুদা ঈরাং হেনগৎলকপগী মওং অমা লৈরিবদুগা লৈবাক্তুদা থুংলখিবা মাইগ্রেন্ট কাঙবু অমগা মরী লৈনহন্দুনা ত্রম্পনা ঙাঙখিবসিদা মহাক ঙকপা পোকই। ‘অতৈগুম্না ঐহাকসু স্বিদেনগী মরমদা অসিগুম্বা কম্মেন্টশিং ফোঙদোকখিবসিদা ঙকপা পোকখি’ হায়না স্বেদিশ প্রাইম মিনিষ্টর লোদভেননা হায়খি।

# মালেসিয়ানা হৌজিকসু করিনা মরম ওইরগা কিম জোং-নাম শিখিবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি





কুলা লম্পুর, ফেব্রুৱারী ২১ :
নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা হাৎপদা শীজিন্নখিবা পোৎশক্তু মখোয়না হৌজিকসু খঙবা ঙমদ্রি অমসুং লৈখিদবগা খ্বাইদগী নক্নবা মীওইশিংনা ক্লেম তৌরদবদগী অশিবা হকচাংদু হৌনবী মতুং ইন্না আইদেন্টিফাইদ তৌদ্রি হায়না মালেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।
কিম জোং-নাম ফেব্রুৱারী ১৩ দা কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা হাৎখিবনি। পুলিসনা মহাক থুনা মথৌ তৌবা হু অমা শীজিন্নদুনা হাৎখিবনি হায়না থাজরি। মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা দি এন এ টেষ্টশিং পাঙথোকপা ঙমদ্রিবা ওইরবসু লৈবাক অসিগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টরনা ভিক্টিম অদু কিম জোং-নাম কৌই হায়না ফোঙদোকখিবনি।
‘শিখিবগী চপ চাবা মরম অমসুং শিরিবা মীওইগী মশক হৌজিক ফাওবা হৌনবী মতুং ইন্না লেপ্পা ঙমদনা লৈরি’ হায়না মালেসিয়াগী হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিদা হেল্‌থকী দিক্টের জেনরেল ওইবা ডা. নুর হিশম অব্দুলাহনা পাউমীশিংদা হায়খি।
হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অদুনা হায়খি, ভিক্টিম অদুগী হৌজিক হিংলিবা খ্বাইদগী নক্নবা মরী-মতাদগী দি এন এ সেম্পলশিং ফংদ্রি।
সাউথ কোরিয়ন অমসুং য়ু এসকী ওফিসলশিংনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ন এজেন্টশিংনা কিম জোং-নামবু হাৎখিবনি হায়না মখোয়না থাজে। মহাক বৈজিংনা ঙাক শেন্দুনা লৈবা চাইনিজ টেরিটরি মাকাওদা লৈবনি।
মালেসিয়ানা কিম জোং-নামগী খ্বাইদগী নক্নবা মরী মতাশিংদা অশিবা হকচাংদু ক্লেম তৌরনবা অমসুং মীশিদুগী মতাংদা থিজিন্লিবদুদা মতেং পাংনবা আপিল তৌখি। মালেসিয়াগী থৌওং অদুনা নোর্থ কোরিয়াগা দিপ্লোমেটিক্কী উংখৎনবা অমা লাকহনখি। নোর্থ কোরিয়ন ওফিসলশিংনা অশিবা হকচাংদু মখোয়দা হকথেংননা শীন্নরকপা পাম্লি।
কুলা লম্পুরদা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসেদরনা মালেসিয়াগী ইনভেষ্টিগেসনদু মীচং-মীখাই নাইনা চথবসু য়াই হায়না চিংনবা ফোঙদোকখিবদগী অমসুং ভিক্টিম অদু কিম জোং-নাম নত্তে হায়খিবদগী মালেসিয়ানা লৈবাকসিগী পিয়োংয়াংদা লৈবা এম্বেসেদর কৌথোকখ্রবনি।
নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসেদর কাং চোলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি মদুদি মালেসিয়ানা মীহাৎ অদুবু থিজিল্লিবদুগী মওংদুদা মহাক্কী লৈবাক্না থাজবা ঙমদে।
মদুগী পাউখুম ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নজিব নাজকনা এম্বেসেদরদুগী কম্মেন্টশিংদুবু ক্রিটিসাইজ তৌখি অমসুং ইনভেষ্টিগেসন অদু মওং তানা পাঙথোক্কনি হায়খি।
মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা হৌজিকসু ওটোপসি রিপোর্ট রিলিজ তৌদ্রিবনি। তৌইগুম্বসুং হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অদুনা হায়খি মদুদি, শিরবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা পাঙথোকখিবা পোষ্ট মোর্টেম ইগজামিনেসন অমদা শিরিবদু হার্ট এটেক্কি নৎত্রগা মশাদা অতুম্না নৎত্রগা অথৌবা পোৎশক অমনা শোকহনবদগীনি হায়বগী খুদম অমত্তা ফংখিদে।

# কনাগুম্বগী থাউ হুরান্নবা য়ু এসনা ইরাক্তা লৈবা নত্তে : য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি জেমস মাটিস



বাঘদাদ, ফেব্রুৱারী ২১ :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরাক্কী পেত্রোলিয়ম রিজার্ভশিং হুরান্দুনা শীজিন্নগে খনবা লৈতে হায়না য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাটিসনা ফোঙদোকখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা বাঘদাদতা থুংলখিবা মাটিসনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম কয়াদা নুংনাংবা পোক্নরবা পার্টনরশিংবু থেমজিন্নবা হোৎনরদুনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।
ত্রম্পনা মীখলগী কেম্পেন মনুং অমসুং মীখলদা মায় পাক্লবা মতুং অনীমক্তা ক্রুপশিং শীজিন্নদুনা ইরাকপু চহী নিপান পায়শিন্দুনা লাকখিবা অমেরিকানা ইরাক্কী থাউ পায়শিন্দুনা লালগী ফন্দ ওইহন্নবা অমসুং আই এস আই এসকী মরু ওইবা রেভিন্যুগী ছোর্স অমা লৈহন্দনবা হোৎনরমগদবনি হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ফোঙদোকখি।
তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০০৩ দা ইরাক্তা য়ু এসনা লান্দাখিবা মতমদা ক্রুপশিং কম্মান্দ তৌখিবা থবক্তগী পোথারবা মরিন জেনরেল অমা ওইরিবা মাটিসনদি ত্রম্পকী ৱাফমদুবু য়ানিংদবগী মওং উৎখি।
‘অমেরিকাদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক্না অসুক শাংবা মতমসি গ্যাস অমসুং থাউগীদমক্তা শেল তিংদুনা লাকখি অমসুং ঐখোয়না তুংদসু মখা তানা অসুম্না তৌখিগনি হায়না ঐহাক্না থাজে’ হায়না মাটিসনা ইরাককী খোঙচৎতু হৌবদা পাউমীশিংদা হায়খি।
হৌখিবা থাদা সি আই এগী হেদক্বার্টর্সতা ৱা ঙাঙলদুনা ত্রম্পনা মমাঙঙৈদগী হায়নদুনা লাকপা ‘মায় পাকপশিংনা মীশিং অমসুং লন-থুমগী মপুনি’ হায়বা ৱাফম অসিবু পনবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, ‘মহাক্কী মমাঙদা লৈখিবা বারাক ওবামাগী মখাদা অমেরিকানা ইরাক্তগী ক্রুপশিং লৌথোক্লবা মতুংদা ‘লৈবাক্তুগী থাউদি পায়হৌগদবনি।’
প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মখা তারদুনা মচা খায়দবীদা হায়খি মদুদি ‘ঐখোয়না অতোপ্পা তাঞ্জা অমা ফংলকপসু য়াই।’
মাটিসনা ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরু ওইবা ষ্টেটসমেন অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা অমেরিকানা মতম শাংনা লৈরক্লবা মিলিটরি এলাইন্সশিং থাদোক্কে খনবা লৈতে হায়না মীচঙশিংদা নৌহৌননা থাজবা পীনবগী মিসন অমদা হৌখিবা চয়োলদা য়ুরোপ অমসুং গল্ফতা চৎখি।
ত্রম্পনা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন অমসুং ভাইস-প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সপুসু ‘য়ু এসনা নেটোবু শৌগৎপগী ৱাফমদা অহোংবা অমত্তা লৈরোই’ হায়বদু উৎনবা য়ুরোপ্তা থাখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা চার্টর প্লেন অমা কায়খ্রে, পাইলোট য়াওনা মীওই ৫ শিখ্রে



মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ২১ :
চহী ৩০ গী মনুংদা থোকপা ভিক্তোরিয়াগী খ্বাইদগী শাথিবা সিভিল এভিয়েসন এক্সিদেন্টদা মেলবোর্নগী ইসেন্দর এয়রপোর্ট মনাক্তা লৈবা সোপিং সেন্টর অমদা প্লেন অমা তাশিন্দুনা কায়বদগী মদুদা তোংবা মীওই মঙামক শিখ্রে।
সোপিং সেন্টরদুদা তাশিন্দুনা কায়খিবা চার্টর প্লেন অদুগী পাইলোট অদু মমাঙদা স্কি রিজোর্ট অমগী মথক্তা প্লেন অনী থেঙ্গাইনগে তৌখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা কন্না ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা মীশক্নি হায়না চিপ লে গ্রান্দগী পাউনা হায়রি।
বীচক্রাফট বি২০০ সুপর কিং এয়র অমনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌরবা প্লেন অদু ৱিটনেসশিংনা ঙসি লোকেল মতমদা অয়ুক্কী পুং ৯ হেক তাবগা দি এফ ও সেন্টরদুদা তাশিন্দুনা অচৌবা মৈজাউ হৌনা কায়বা উনখি।
পাইলোট মেক্স ক্বার্টরমাইন এক্সিদেন্ট অদুদা শিখি অমসুং কনবেরাদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিনা প্লেনদুদা তোংলিবা অতৈ মীওই মরিদু য়ু এসকী সিটিজনশিংনি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে।
এয়রক্রাস অদুগী মতুংদা কানবেরাদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি অমসুং মেলবোর্নদা লৈবা য়ু এস কোন্স্যুলেটনা লোকেল ওথোরিটিশিংগা তানদুনা ওইরক্লিবা ফীভমদু কূপ্না মোনিটর তৌরি হায়না এম্বেসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।
ইমুংগী মীওইশিংনা সোসল মিদিয়া শীজিন্নদুনা ভিক্টিম অনীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে; গোল্ফ ত্রিপ অমদা চৎখিবা অমেরিকান গ্রেট দে হাভেন অমসুং টেক্সাসকী লোইয়র রুশল মুনস চার্টর প্লেন অদুদা তোংখিবনি। পাইলোট ক্বার্টরমাইন প্লেন অদুবু ওপরেট তৌখিবা কোর্পোরেট অমসুং লৈজর এভিয়েসনগী কো-ওনরনি হায়রি।
ওষ্ট্রেলিয়ন ত্রান্সপোর্ট সেফটি ব্যুরো (এ টি এস বি) না হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা মাউন্ট হোথমদা এক্সিদেন্ট থোক্কে তৌখিবা কম্পেনি অদুনা রন তৌবা প্লেনশিংগী মনুংদা অমা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে। ফাইনেল রিপোর্ট অদু মে থা ফাওবগী মনুংদা পব্লিক্তা ফোঙদোক্কদবগী ঙাইনরিবনি হায়রি।
পাইলোট ক্বার্টরমাইন চহী ৩৮ গী চার্টর এক্সপরিয়েন্স লৈবা অমসুং সেফটি রেকোর্দ য়াম্না ৱাংখিবা মীশক্নি হায়না কম্পেনিগী ৱেবসাইটনা ফোঙদোকখি।
মীওই কাঙবু অদু তাসমেনিগী অৱাং থংবা কোষ্টকী মনাক্তা লৈবা কিং ঈথৎতা পাইরিবনি হায়না থাজনরি।
প্লেন অদু মী চিনবা টুলামরিন ফ্রীৱেগী মায়োক্নবদা লৈবা স্পোর্টলাইট ষ্টোর অমা অমসুং কার পার্ক অমা য়াওনা দুকানশিংগী মনিংদা তাশিন্দুনা কায়খিবনি। সোপ্পিং সেন্টর অদু মতমদুদা হাংখিদে হায়রি।
এদলেইদতা লৈবা জেসন কৌবা মীওই অমনা এ বি সি রেদিওদা হায়খি মদুদি, মহাক্না টেক্সি অমদা তোংদুনা লৈরিঙৈদো প্লেন অদু য়াম্না নেম্না অমসুং য়াংনা পাইবা উখি। ‘প্লেন অদু তশেংনমক নোর্মেলদগী য়াম্না হেন্না য়াংনা পাইরকখি।’

# পাকিস্তাননা সয়ীদ অমসুং তেংবাঙলোয়শিংগী খুৎলায় লাইসেন্সশিং ককখ্রে

লাহোর, ফেব্রুৱারী ২১ : সিক্যুরিটিগী মরমশিং পল্লদুনা পাকিস্তাননা জে য়ু দিগী চীফ হফীজ সয়ীদ অমসুং মহাক্কী ওর্গনাইজেসনশিংগী অতৈ মেম্বরশিংদা ইস্যু তৌবা খুৎলায় ৪৪ গী লাইসেন্সশিং ককখ্রে হায়রি।
পঞ্জাব হোম দিপার্টমেন্টগী ওফিসল অমনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা সয়ীদ অমসুং মহাক্কী ওর্গনাইজেসনশিং জামাট-উন-দৱা (জে য়ু দি) অমসুং ফালাহ-ঈ-ইন্সান্যাট (এফ আই এফ) কী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা এক্সনগা চাননা খুৎলায় লাইসেন্সশিং ককপগী খোঙথাং অসি লৌখৎলিবনি। ‘সিক্যুরিটিগী মরমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা পঞ্জাব হোম দিপার্টমেন্টনা খুৎলায় ৪৪ গী লাইসেন্সশিং কেন্সেল তৌরে’ হায়না ওফিসল অদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।
গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা জান্যুৱারী ৩০ দা সয়ীদ অমসুং মহাক্কী ওর্গনাইজেসনশিংগী অতৈ লীদর মরিবু লাহোরদা নুমিৎ ৯০ নিগী ওইনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি। সয়ীদ অমসুং জে য়ু দি অমসুং এফ আই এফকী মেম্বর ৩৭ এগজিট কন্ত্রোল লিষ্টতা হাপচিন্দুনা পাকিস্তান থাদোক্নুনা চৎপদসু অথিংবা থমখ্রে।




## EMPLOYMENT NEWS

**Lok Sabha Secretariat Recruitment – 08 Parliamentary Interpreter Vacancies – Last Date 15 March 2017**

Lok Sabha Secretariat invites applications for the post of 08 Parliamentary Interpreter Grade-II (Group ‘A’ Post) in Lok Sabha Secretariat on Direct Recruitment basis. Apply Before 15 March 2017.

Advt. No. : 02/2017

**Lok Sabha Secretariat Job Details :**

Post Name : Parliamentary Interpreter
No of Vacancy : 08 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-

**Eligibility Criteria for Lok Sabha Secretariat Recruitment :**
Educational Qualification : Master’s degree in English from a recognised university with medium of Hindi language up to Degree Level OR Master’s degree in Hindi from a recognised university with medium of English language up to Degree Level.

Nationality : Indian
Age Limit : 27 years as on 15.03.2017

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Oration Test/Written Test/Simultaneous Interpretation Test/ Personal Interview.

**Application Fee :** There is no Application fee.

**How to Apply Lok Sabha Secretariat Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed application form along with self-attested copies of necessary certificates/document, copies of certificates/ documents send to The Joint Recruitment Cell Room No.521, Parliament House Annexe, New Delhi-110001 on or before 15.03.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Lok Sabha Secretariat recruitment Application form : 15.03.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : http://164.100.47.193/JRCell/Module/Notice/ADVT%202%202017.pdf

**Lok Sabha Secretariat Recruitment 2017 – 16 Warehouseman, Junior Proof Reader & Printer Vacancies – Last Date 27 March**

**Lok Sabha Secretariat Recruitment 2017**

Lok Sabha Secretariat invites applications for the post of 16 Warehouseman, Junior Proof Reader & Printer on Direct Recruitment basis. Apply Before 27 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 03/2017

**Lok Sabha Secretariat Job Details :**

Post Name : Warehouseman
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2200/-
Post Name : Junior Proof Reader
No of Vacancy : 06 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2800/-
Post Name : Printer
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2800/-

**Eligibility Criteria for Lok Sabha Secretariat Recruitment :**
Educational Qualification :
For Warehouseman : Secondary School Certificate or Matriculation and Diploma in Printing Technology from any Institute approved by AICTE OR 5 years experience on cutting, stitching and perforating machines in a Printing Press.
For Junior Proof Reader : Bachelor’s degree in any discipline and Diploma in Printing Technology OR P.G. Diploma in Book Publishing from any Institute approved by AICTE OR 5 years experience as Copy Holder in English and Hindi in a Printing Press.
For Printer : Diploma in Printing Technology of 03 years duration recognized by All India Council for Technical Education (AICTE) OR Bachelor’s degree in any discipline from a recognised University with 03 years’ experience in hand composing in English & Hindi OR Intermediate (Class XII) from a recognized Board with 05 years’ experience in hand composing in English & Hindi.

Nationality : Indian
Age Limit : maximum age limit is 27 years As on 27.03.2017

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Examination/Trade Test.

**Application Fee :** There is no Application fee.

**How to Apply Lok Sabha Secretariat Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed application form along with self-attested copies of necessary certificates/document, copies of certificates/ documents send to The Joint Recruitment Cell Room No.521, Parliament House Annexe, New Delhi-110001 on or before 27.03.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Lok Sabha Secretariat recruitment Application form : 27.03.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : http://164.100.47.193/JRCell/Module/Notice/advertisment%203_2017.pdf